**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 13-10-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৩-১০-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**-------**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই অমদি আইননা থিংখ্রবা লালহৌবা অনি ফাগৎলে।

২) মনিপুরদা স্তার্ট অপ স্কিমগী কান্নবা ফংহনগনি হায়দুনা এপ্লিকান্টশিংদগী শেল লৌথোকবা হোৎনবা মীওইশিংদগী চেকশিন্নবা রাজ্যগী প্লান্নিং বিভাগনা খংহল্লি।

**অমসুং**

৩) বিহার বিধান সভা মীখলগীদমক এন.দি.এদা য়াওরিবা দলশিংগী সিট য়েন্থোকখ্রে।

---

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা- মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল ১, বোল্ট এক্সন রাইফল ৫, এ.কে.ফোর্তি সেভেন রাইফল ১, এম.পি নাইন ১, দবল বেরেল নোংমৈ ২, পোইন্ট থ্রি টু পিস্টোল ২ অমদি নোংমৈ মরু কয়া য়াওরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং হাউরং শাবল মমাঙ লৈকাইদগী কে.সি.পি(পি.এস.সি) গ্রুপকী এক্তিভ কাদরনি হায়বা মীওই অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী উচোন অৱাং লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী কাদরনি হায়বা মীওই অমসু ঙরাং ফারে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী মোহরে পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা মিসন ভেংদা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা- দল্লিয়ু ৱাই তেব্লেট কিলোগ্রাম ১৯ ফারে হায়রি।

**প্লান্নিং(এল)ঃ** মনিপুরদা স্তার্ট অপ স্কিমগী কান্নবা ফংহনগনি হায়দুনা এপ্লিকান্টশিংদগী শেল লৌথোকবা হোৎনবা মীওইশিংদগী চেকশিন্নবা রাজ্যগী প্লান্নিং বিভাগনা খংহল্লি। প্লান্নিং দাইরেক্তর আর.কে রাধেসনা দেবীনা চেরোল অমদা হায়-চিফ মিনিষ্টরস ওন্ত্রপ্রন্যুর সপ্পোর্ট স্কিম অমসুং মণিপুর স্তার্ট অপ স্কিমগী এপ্লিকেসন থাজিনবদা শেল তিংদে। কনাগুম্বা লন্নাই মীওই অমত্তদা এপ্লিকেসন শেল লৌনবা হায়খিবা লৈতে। এপ্লিকেসন থাজিন্নিংবা মীওইশিংনা বিভাগ অসিগী ৱেবসাইটতা চংদুনা অকুপ্পা ৱারোলশিং খংবা য়াগনি।

**পোলিও(এল)ঃ** পোলিওগী সব-নেসনেল ইম্যুনাইজেসনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অমসুং হয়েং হেলথ ৱার্করশিংনা য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা চহী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা পোলিও হিদাক পীথকপগী থবক চথগনি।

কেম্পেন অসিদা রাজ্য অসিগী পুন্না অঙাং লাখ ৩ লিশিং ১৬,৬৭১ দা

পোলিওগী হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি।

**এআর (এল)ঃ** ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রন-স্বাছ ভারত, স্বাছতা ভারত কেম্পেইনগী মনুং চন্না অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী খুগা দামদগী দোনবোস্কো স্কুল ফাওবা মরাথোন রেস অমা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখ্রে। মদুদা, মহৈরোই ৪০০ অদুগা, অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ৩৫ না শরুক য়াখি।

**ইমো (এল)ঃ** আর.কে.ইমো এম.এল.এনা শিলোংগী রেদ লেন্দদা লৈবা ঐতিহাসিক ওইরবা মণিপুরী রাজবারি থুগাইখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হেরিতেজকী অখণ্ড অহৈশিং হিসতোরিয়নশিং য়াওনা নিংথিনা হান্নগুমা শেমগৎ শাগৎপীনবা রাজ্যপাল অজয়কুমার ভাল্লাদা চেরোল অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

**নোং ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরম, ত্রিপুরা, তামিলনাদু অমসুং তেলঙ্গনাগী মফম কয়াদা অখাক অরাউ অমদি নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

অন্ধ্র প্রদেশ, কেরলা, মাহে, লক্সদ্বিপ, উরিষা, খা থংবা করনাতক্কী শরুক, পুদুচেরি অমসুং করাইকালদসু ঙসি ফাওবদা অকনবা নোং চুগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

**ৱার্কসোপ (এল)ঃ** ইলেক্ট্রোনিক দিটেল এক্সিদেন্ট রিপোর্ট-কেসলেস ত্রিটমেন্ট ওফ রোড এক্সিদেন্ট ভিক্তিম স্কিম ২০২৫ অমসুং কম্পেন্সেসন টু ভিক্তিমস ওফ হিট এন্দ রন মোটোর ভেহিকল এক্সিদেন্ট স্কিমগী মতাংদা

নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী ৱার্কসোপ অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী টোপ দুসেরাদা লৈবা আই.দি.টি.আর.সিদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা ট্রান্সপোর্ট অমসুং টি.সি.আইগী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি অনুরাগ ভাজপাইনা অথোইবা আতিথি ওইনা শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱা ঙাংগনি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগীদমক এন.দি.এদা য়াওরিবা দলশিংগী সিট য়েন্থোকখ্রে। বি.জে.পিগী জেনরেল সেক্রেটরি বিনোট তাউদেনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-মীখল অসিদা বি.জে.পি অমসুং জে.দি.য়ুনা সিট ১০১ দা, লোক জন শক্তি পার্তি রামবিলাসনা সিট ২৯ দা অদুগা, রাস্ত্রিয়া লোক মোর্চা অমসুং হিন্দুস্তানি অৱাম মোর্চানা সিট ৬-৬ তা মীখল থেংনরগনি। নিউ দেল্লিগী বি.জে.পি হেদক্বার্তর্সতা ঙরাং পাঙথোকপা এন.দি.এদা য়াওরিবা দলশিংগী লুচিংবশিংনা কুপা খন্নরবা মতুংদা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। এন.দি.এদা য়াওরিবা মরুওইবা দল অনি-বি.জে.পি অমসুং জে.দি.য়ুনা হন্দক্কী মীখল অসিদা মখোয় মখোয়গী দলগী মীরেপকী মশিং হন্থহনবদা য়ানরে, মসিনা পুন্না চৎমিন্নরিবা দলশিংগী মরক্তা হেন্না মরী চেৎশিলহল্লগনি। ২০২০ গী বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা সিট ১১০দা, জনতা দল য়ুনাইতেদনা ১১৫ দা মীখল থেংনখি। মদুদা, বি.জে.পিনা সিট ৭৪ ফংখি। জে.দি.য়ুনা সিট ৪৩ দমক মাই পাকপা ঙমখি।

**মন্দাভিয়াঃ** য়ুথ এফিয়র্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা লৈবাক শিনবা থুংবদা দ্রগ ফ্রি ওইহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগীদমক ইস্কোনবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। নিউ দেল্লিদা ইস্কোননা শিন্দুনা পাঙথোকপা উদগার য়ুথ ফেষ্টিভেলদা পাউমীশিংদা মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী নহা লিশিং ১৫ হেনবদা থৌরাং অসিনা দ্রগতগী লাপথোক্লগা লৈনবা ৱাশক লৌহনখ্রে। লৈবাক অসিবু

ভিক্সিট ভারত ওইহনবদা ইস্কোননা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি। ইস্কোননা ভারত শিনবা থুংনা নাসামুক্ত য়ুভ সংস্কারয়ুক্ত ভারত কী থৌরাং হৌদোকখে। মসিনা নিশাদা লুপ্তুনা লৈরম্বা মীওই কয়া ইস্বরগী ওইবা ৱাখল্লোনদা চংলক্তুনা শান্তি লৈবা চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**অফগান ঃ** অফগানিস্তানগী ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা লান্দানবা হোৎনরম্বা পাকিস্তানগী লান্মী ৫৮ অফগানিস্তানগী তাল্লিবানশিংনা হাৎখ্রে। পাকতিকা প্রোভিন্সতা লৈবা মীয়ামগী কৈথেল অমদা পাকিস্তানশিংনা নোংথক্তগী বোম থাদদুনা অমাং অতা থোকহনখিবা, মদুগী পাউখুম ওইনা পাকিস্তানগী লান্মীশিং অসি হাৎখিবনি হায়রি। তাল্লিবানগী মচিন চৎপা জাবিহুল্লা মুজাহিদনা হায়-পাকিস্তাননা নোংথক্তগী লান্দারকখিবগী তুংদা তাল্লিবাননা ঙমখৈগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাকিস্তান লান্মীগী মথক্তা লান্দাখি। মদুদা, পাকিস্তান লান্মী ৩০ শোকখি। তাল্লিবানগী ফাইতর ৯ শিখি, ১৮ না অশোক অপন নংখি। মমাঙগী চয়োলদা পাকিস্তাননা অফগানগী কবুলদা বোম পোখায়হনবগী থৌদোক থোকহনখি। মসিগী তুংদা, লৈবাক অনিগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক অসি থোরকখি। সাউদি অরাবিয়া, কতার য়াওনা লৈবাক কয়ানা লৈবাক অনিগী উংখৎনবা অদু অথুবা মতমদা ৱারি শান্নদুনা লোইশিন্নবা আপিল তৌরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শিলোংগী মনিপুরী রাজবারি থুগাইখিবগী য়ানিংদবা পাক শন্না ফোঙদোকরকপগী পাউ, মণিপুরদা ঙরাং পোলিও হিদাক পীথকপগী কেম্পেইন হৌদোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

নারোলদা রেদ লেন্দগী বিল্ডিং থুগাইখিবগী থৌওং লৈঙাকা তুমিন্না

লৈশিনবা য়ারোইদৌরি, সি.এস.ও মহৈরোই লুপ য়াওনা মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকরকপা লেপত্রি হায়বা পাউ অসি সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি। পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাংদনা, মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবগী অহিংবা খুদম-মণিপুর রাজবারিগী ৱাথোক হায়বা বেনর হেদলাইন অসিগী মখাদা পি.দি.এনা থোরক্লিবা শেমদোক ৱারোল মীয়াম্বু অপংবনি খন্দুনা হেক্তমক হায়জিল্লকপা ৱারোলনি হায়না সিরকানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম, অদুগা, হিস্তোরিকেল মন্যুমেন্ট মাংহনবা খুন্নাইদুগী পুৱারিগা লোইনরক্লবা মশক মাংহনবনি হায়না মহৈরোই লুপ-এম.এস.এফনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাওনা কৈথেলদা উ অচৌবা ৭ য়ান্থৎলুবগী উ-চারা ৫০ থাহল্লগা হৌহন্নবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা-শঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী এদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি। মণিপুরগী লন্বীশিং শলাক শাবদগী মীয়াম পেন্নদ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙবা থেংনরে। পাউ অসি-শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- মণিপুরদা গভর্ণমেন্ট শেমগে হায়রবদি কাংলুপ খুদিংমক্কী এম.এল.এশিং য়াশিন্নরকড হায়রকখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিদা- আর.টি.আই চৎনরকপা চহী ২০ শুরকপদা কংগ্রেসনা হায়রি-গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়িশিংগী লন থুম ফোংদোকহনবা য়ামা মথৌ তারে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুর রাজবারি থুগাইখিবগী ৱাথোক চাউথোরক্কদৌরি, চহী ১০০ শুগদবা চহী ২ খক্তা ঙাইরক্লবনি, হায়ফেত্তং হায়বিরল্লবদি নুঙাইগদবনি য়ামা পাম্মুই হায়না আর্ট এন্দ কলচর দাইরেক্তরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। দেল্লিদা পাইশিন্নরুবশিং লেপ্তুনা হন্নরক্লি, পি.আর শাংদোক্লরোই, পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট লৈহল্লগনি

হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়না এম.এল.এ ইবোমচানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- রাজ্য থাক্কী পোলিও সব-নেসনেল ইম্ম্যুনাইজেসন ডে হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

মোর্নিং বেলদা- পি.আর মখা তানা শাংদোক্লরোই হায়না এম.এল.এ ইবোমচানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- চহী ৫০ গী মতুংদা উখ্রুলদা লাক্কদৌরিবা এন.এস.সি.এন-আই.এমগী লুচিংবা ওকনবা শেম শারি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ১৪ শুবা জাদোনং মেমোরিয়েল ফুটবোল টুরনামেন্ট হৌখ্রে, হিল এরিয়া কম্মিতিগী চেয়রমেন দিপু গাংমৈনা রাজ্য অসিদা লিংজেল মান্নবা অমদি অমত্তা ওইবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোংদা, সব-নেসনেল ইম্ম্যুনাইজেসন ডে হৌখ্রে হায়বা পাউ- তামেংলোং তাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরগী এম.এল.এশিং প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর উনদনা হল্লকখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**